Thursday, June 14, 2018, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# মুসুগী থৌমীশিংনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর অদ্য প্রসাদ পান্দে শীন্দোক্লবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না চঙশিল্লকপা খোঙজং নুমিৎ ১৫ নি শুখিবগা লোয়ননা ঙসি মুসুনা পোইন্ট ১৫ য়াওবা মেমোরেন্দম গভর্নরদা পীশিনখ্রে।

মুসুগী লুচিংবশিংনা গভর্নর নজমা হেপতুলাদা পোইন্ট ১৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবা রাজ ভবন তম্না লাকপদা রাজ ভবনগী মমাঙগী ট্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা পুলিসনা থৎতুনা থল্লবা মতুংদা মুসুগী মীওই ৫ না শাবা মীহুৎ অমা গভর্নর উন্নবগী অয়াবা পীবদগী রাজ ভবনদা গভর্নর উন্নবা চঙখি। অদুবু গভর্নর রাজ ভবনদা লৈতে হায়দুনা রাজ ভবন সেক্রেটরেএটকী অন্দর সেক্রেটরি অমদা মেমোরেন্দম অদু পীশিল্লমখি হায়রি।

পোইন্ট ১৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিংদি এম য়ুগী ভি সি অসিনা ঙৈহাক লৈতনা মপান্দা চৎতুনা লৈথোকখিবা, এম য়ুগী শেনফম কয়া মহাক্না পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা লুপশিংদা পীথোকখিবা, স্মার্ট ক্লাস হাংবগী মিংদা ভি সিনা মহাক্না নক্লবা লক্ষনৌদা লৈবা ফার্ম অমদা য়ুনিভর্সিটিগী রুলশিং থুগায়রগা লুপা ক্রোর ৫ পীথোক্লম্বা, চহী অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অহুল্লক ফমগদবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইগজুকিটিব কাওন্সিল মীতিং অমসুং ফাইনান্স কমিটিগী মীতিংশিং ফমদনা ভি সিনা রুলশিং থুগায়বা। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টেটুটরি পোষ্টশিং ওইরিবা রেজিষ্ট্রার, কন্ট্রোলর ওফ ইগজামিনেসন, লাইব্রেরিয়ান অমসুং ক্যুরেটরনচিংবা ইন চার্জ ঙাক্তা হাপ্পা, মহৈরোয়শিংনা ওরিজিনেল সার্টিফিকেট অমা লৌবদা নুমিৎ ২/৩ রোমদং চঙলম্বা অদু হৌজিক্তি নুমিৎ ৩০দগী ৪৫ ফাওবা চঙহনবনা মহৈরোয়শিদা খুদোংচাদবা থোকহনবা, রুলগী ৱাংমদা নোটিফিকেসন থোক্তনা শেঞ্জা-থুমজা তৌদুনা কন্ট্রেক বেসিসতা লোন্না থবক হাপলম্বনচিংবগী ৱারোলশিং য়াওরি।

মেমোরেন্দম পীশিল্লুরগা থোল্লকপদা মুসুগী প্রসিদেন্ট এম দয়ামোইনা হায়খি, ঙসিগা থারগা নুমিৎ ১৫ নি শুরবা এম য়ুগী ভি সি শীন্দোক্লবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা ওথোরিটিনা হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিনবা অসি মহৈরোয়শিংবু করিমত্তা খনবিদে হায়না লৌই। মুসুনা হৌজিক ফাওবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনবা অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা তাশিন্নদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারে।

ভি সি শীন্দোক্ত্রগদি হৌজিক চথরিবা এম য়ু সট দাওন্দগী খোঙজং অসি হন্দোক্লোই। খোঙজং অসিগা মরী লৈননা ভি সিগী মখাদা লৈবা ওথোরিটি অমত্তগা মুসুগা ৱারী শান্নরোই। ভিসিগী মথক্তা এক্সন লৌবা ঙমগদবা ওথোরিটিগদি ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কাংপোকপীদা নোং এম এম ৭৫ তাখি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
মমাঙ চহীদা ইম্ফাল তুরেলগী মরু কাংপোকপীদা নোংজুগী চাং এম এম ৭৪ তাবা মতমদা ঈচাউ থোক্তুনা মীয়ামনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। কুমসিসু কুমগী নোং লাকপা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমনিদা মণিপুরদা অকনবা নোং তাবদগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সষ্টিটুন্সি ১৩ দা ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

ৱাটর রিছোসেস দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক ফাওবদা তাখিবা নোংজুগী চাং অসি ইম্ফাল তুরেলগী মরু ওইরিবা কাংপোকপীদা মিলিমিটর ৭৫ তাখি। থৌবাল তুরেলগী মরু লিতালদনা এম এম ১২ তাখি, ইরিল তুরেলগী মরু সাইকুলদনা ৪৭এম এম তাখি, জিরিবামদনা ১৪৭ এম এম তাখি, লম্ফেল এরিয়াদনা ৪৭ এম এম, ইম্ফালগী রাজ ভাবনদনা ৪৩ এম এম তাখি হায়রি।

# পোষ্টর কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি : দেসাম

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না লমদম অসিবু মশা-মউ ফবা তিঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা চঙশিন্দুনা লাকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৬ তা মালেমগী অতৈ মফমদা পাঙথোক্লবগুম ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিকিং (মালেমগী ওইনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা অমদি লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমীৎ) তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি।

দেসামগী সেক্রেটরি স্পেসল টাস্ক এন্দ এন্ট্রি দ্রগ এব্যুষ্ট শমুলাইলাৎপম রিশিকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমীৎ অসিদা দেসামনা থৌরম পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা ইলিসিট দ্রগ দি দার্ক ফ্যুচর ওফ য়ুথ হায়বা থীমদা পোষ্টর কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা এ থ্রী সাইজদা অয়েকপা নৎত্রগা গ্রাফিক পোষ্টর লূপ অসিগী শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা ময়াই শঙলেন অমদি অতৈ লূপ অসিগী মশা লোইশঙশিংদা লুপা ১০০ গী ফিগা লোয়ননা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

পোষ্টর কম্পিটিসন অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা প্রাইজদা লুপা লিশিং ৫, লুপা লিশিং ৩ অমসুং লুপা লিশিং ২গা লোয়ননা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোক্কনি। মরিদগী তরাশুবা ফাওবদা তারকপা মহৈরোয়শিংবু কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ১ অমসুং সার্টিফিকেট পীগনি। নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা দেসামনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা লেপ্পা ওইনা মাস এৱেয়রনেস কেম্প্যেন, পোষ্টর কেম্প্যেন, মাস রেল্লি অমদি ওবজার্ভেসন্নচিংবসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# সোসল মিদিয়াদা কিহনখিবা বিহারি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
মণিপুরীশিং, মরু ওইনা মপান্দা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংদা কিহনবগী ৱারোল ফোঙদোক্তুনা সোসল মিদিয়া ফেসবুক্তা থাগৎল-কখিবা বিহারি মচা অমা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৰেষ্টনা নুমিৎ তরুক্নি পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী টীম অমনা বিহার পুলিসকী মতেং লৌরগা জুন ৯ দা বিহারগী বেগুশরাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শাহেদপুর কমল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পাউরা খুঙ্গংদগী বিহারি অদু ফাখিবনি। ফারবা মীওই অদুদি রুপেস কুমার এলিয়স বাবুৰা থাকুর (২৬) অপোকপা সঞ্জয় থাকুরনি। মীওই অদু সী জে এম বেগুশরাইগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা জুন ১৪ ফাওবা নুমিৎ তরুক্নিগী ট্রান্সিট রিমান্দ তৌরকখিবনি। ইম্ফাল পুলিসকী টীম অমনা ফারবা রুপেস কুমার এলিয়স বাবুৰা থাকুরবু মণিপুরদা পুরক্লগা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৰেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর (আই ও)না হায়জবা মতুং ইন্না জুন ১৮ ফাওবা নুমিৎ তরুক্নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীরকখিবনি।

অমরোমদা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা ফারবা রুপেস কুমার এলিয়স বাবুৰা থাকুরনা মশাগী মরাল য়াজখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি মে ২৫ দা রুপেস কুমারগী ভিদিও ক্লিপিং অদু ফেসবুক্তা থাগৎলুবগীদমক মীওই তরেৎ ফাজিনবা লৈখ্রবনি। বিহার ফাওরগা লাকপা অমসুং মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মণিপুরীশিং হাৎকনি হায়না কিহনবগী ৱারোল য়াওবা ভিদিও অদু ফেসবুক্তা থাগৎলুবনা মরম ওইরগা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনদবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বগীদমক রিজিনেল পোলিটিকল পার্টি ‘পর্জা’ গী ফাওন্দর লৈচোম্বম ইরেন্দ্রো য়াওনা মীওই তরেৎ ইম্ফাল ৰেষ্ট সাইবর ক্রাইম য়ুনিটনা মে ২৫-২৬তা ফাজিনবা লৈখ্রবনি। ফারবা মীওইশিং অদুদি থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদগী লৈচোম্বম ইরেন্দ্রো (৩৭), কাংমোং মাইস্নাম লৈকাইদগী সুরেস মাইস্নাম (৪৩), পাঙ্গৈ নেপালি বস্তিদগী নরেস গুরুং (২৭), শেরৌ বাজারদগী হৌজিক্লা খোয়াথোংদা অশানবা য়ুম অমদা লৈরিবা রোহিট দাস (২৯), শেরৌ বাজারদগী রিঙ্কু দাস (৩২), শেরৌ বাজার পার্ট-১ দগী কিসন মালিক (২৬) অমসুং নাপেট পল্লি মমাঙ লৈকাইদগী তোংব্রম মেঘচন্দ্র মৈতৈ (৪৩) নি। ইরেন্দ্রো নত্তনা অতৈ মীওই তরুকমক জুন ২৮ দা সী জে এম ইম্ফাল ৰেষ্ট কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা লুপা লিশিং ৫ গী পি আর বোন্দা থাদোকখ্রবনি। অদুবু জেনরেল ইলেক্সনদা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদগী মীরেপ ওইখিবা পর্জাগী ফাওন্দর ইরেন্দ্রোদি বেল লৌ হায়বা য়াদবদগী জুদিসল কষ্টদিদা থাজিনখিবনি। মে ২৫দা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সিনা সাইবর ক্রাইম য়ুনিট ইম্ফাল ৰেষ্টতা ওফিসল ওইনা ভিদিও ক্লিপিং অসিগী মতাংদা রিপোর্ট তৌরখ্রবা মতুংদা সুরেস মাইস্নাম, নরেস গুরুং, রোহিট দাস, রিঙ্কু দাস অমদি কিসন মালিকপু মে ২৫ দা সাইবর ক্রাইম য়ুনিট ইম্ফাল ৰেষ্টনা মোবাইল ফোন অমদি সিম কার্দকা কোন্ননা ময়ুম ময়ুমদগী ফাগৎখিবনি। কাঙলুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা পাউজেল শন্দোকই হায়বগীদমক থংনবা নুমিৎ মে ২৬ তা পুলিসনা লৈচোম্বম ইরেন্দ্রো অমদি তোংব্রম মেঘচন্দ্র মৈতৈসু পুলিসনা ফাখি। নুমিৎ অদুমক্তুদা ফাখিবা নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী লাইশ্রম অচৌবা (৪৩)দি বেলদা থাদোকখি।

# থোং তেকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
কাংচুপ চিরুদগী কোকেন ভিলেজ ফাওবগী লৈরিবা আই ভি আর অসি পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শুবা থবক্তা কাংচুপ চিরু খুল মনুংদা চেনবা মাক্লং তুরেলগী থোং অমা শাবীরম্বা অসি ঙরাং ঈশিং চাউবদগী কায়রগা তেকখ্রে হায়না কাংচুপ চিরু ভিলেজ ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি। কাংচুপ চিরু ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন টি আর জেকোপনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থোং অসি শাবদা য়োৎ অমত্তা য়াওরমদ্রে। থোং অসিনা চথোক চৎশিনদা কান্নবা পীরিবা খুলশিংদি কাংচুপ চিরু পার্ট টু, কে মোজোল, কে ফাইজোল, কে য়াংনোমফাইনচিংবনি। খুল অসিগী য়াম্না মরুওইবা থোং ওইদুনা কান্নবা পীরি। মরুওইনা অকোয়বদা লৈরিবা স্কুলগী অঙাংশিং অমদি নোংমগী চরা তান্দুনা হিংবগী লন্থী থিরিবা, লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল হল্লে হায়না মখা তারক্লি।

# দি এম য়ুনিভর্সিটি মপুং ফানা শেমগৎনবা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেটনা দি এম য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ওথোরিটিশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই), মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট পি বঙ্কীমচন্দ্র মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দি এম য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখিবা অসি এদ্যুকেসনগী চাউখৎ লমজেলদা খুন্মাং চাউশিনবগী অফবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌগনি। ঙসিগী মালেম অসিদা ৱাখল লৌশিংগী অওনবা কয়া লাক্লিবা মতম অসিদা অসিগুম্বা মখলগী মহৈশঙ কয়া লিংখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। লমদম অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙই অমসুং হেন্না লিংখৎনবসু তকশিল্লকখিগনি।

অতোপ্পা চাউখৎলবা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবা থৌরাং তৌবদা মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা মখলগী অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিং ষ্টেট অসিদা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। এন এস য়ু আই, মণিপুর ষ্টেটনা হৌখিবা থা ২ রোম অসি দি এম য়ুনিভর্সিটি দি এম কেম্পসতা লিংখৎখিবগী থবক থৌরমশিং য়াম্না কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনসু তোঙান তোঙানবা খোল্লাও কয়া লাউদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা অথুবদা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা হেন্না ফজবা মওংদা শেমদোক শেমজিন তৌনবা ৱারোল কয়াসু তকশিল্লক্লি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা হায়র এদ্যুকেসনগী দিপার্টমেন্টনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী দিজাইন তৌরিবা অসি য়াবা ঙম্লোই। মসি ইচম চম্বা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট অমগুম্না তৌরি। য়ুনিভর্সিটি অমগী তরং-তরংবা চপ চাবা দিজাইন হৌজিক ফাওবা উবা ফংদ্রি। য়ুনিভর্সিটি অসি চলাইনবা ষ্ট্রকচর, অকুপ্পা ৱারোলশিং অমদি পরমশিং লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা গাইদ লাইনশিং অসি শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। খ্বাইদগী ফবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মহৈরোয় লূপশিংগী লুচিংবশিং, গভর্ণমেন্টকী, হায়র এদ্যুকেসনগী ওফিসলশিং, একাদেমিসিয়ানশিং অমদি ইন্টিলেকচুয়েলশিংনা হোৎনগদবনি। গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ময়েক শেংনা তরং তরংবা লোং টার্ম ভিজন অমা য়ুনিভর্সিটি অসি পুথোক্কদবনি। অসিগুম্বা ৱারোলশিং অসি য়াওদনা গভর্ণমেন্টনা হাথু হাথু য়ুনিভর্সিটি অসি হেক্তা লিংখৎতুনা মতোল য়ৌনা কাখৎনবা হোৎনরিবা অসি পান্দম য়ৌবা ঙম্লোই। থবক খুদিংমক্কী ফাউন্দেসন চেৎনা অমসুং তরং তরং মপুং ফানা থম্বগা লোয়ননা তুংদা চরাংনবা থোক্লোইদবা মওংদা মনুং মপান ফাওনা উবা থৌওংশিং চথগদবনি। লৈঙাক্কী ওফিসল অমত্তনা দি এম য়ুনিভর্সিটিদা শেন্দোং তাবগী ৱাখল্লোন নৎত্রগা মশাগী মীংচৎকীদমক্তা থবক তৌবশিং লেপকদবনি।

কুমজা ২০১৩ দা আর য়ু এস এগী সেন্ট্রেল স্কিমগী মখাদা য়ুনিভর্সিটি অমদা লুপা ক্রোর ৫৫ পীরকখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইরিবা ফীভম অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপগী মওংশিং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, দি এম কোলেজ ওফ আর্টস, দি এম কোলেজ ওফ কম্মার্স, দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন, হিন্দী টিচরস ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুট, জি পি ৱিমেন কোলেজ অমসুং এল এম এস লো কোলেজদা উবা ফংদে। কেম্পসশিংদা অহোংবসু লৈতে হায়রি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ময়েক শেংবা ভিজন অমসুং পোলিসী থমদুনা অনৌবা য়ুনিভর্সিটি অসি তুংদা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎনগদবনি। নোংজু পান্থা লাক্ত্রিঙৈদা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং খুন্মাং চাউশিন্নবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিগী য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনা মহৈ-মশিনগী লমদা মাঙজিল থাবা মহৈ তম্ফম অমা ওইনবা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা মফমদগী মহৈ-মশিন তম্বা লাক্লিবশিংদা উহনবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসি মায় পাক্লা চলাইবা ঙমগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি অসিনা ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভমদসু চাউনা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

# কুমগী নোংনা থোকহনবা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈনবা ফোটোগ্রাফশিং



















# মেরিটৌরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
নেহরু মেমোরিএল ক্লব, তোপ অৱাং লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন দুনা ৫ শুবা একাদেমীক মেরিটৌরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা নেহরু মেমোরিএল ক্লবকী গ্রাউন্দ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থিংবাইজম সুরবালা, প্রধান, তোপ দুসারা গ্রাম পঞ্চায়ট, নেহরু মেমোরিএল ক্লবকী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ইবোতোম্বী, উপ-প্রধান সঞ্জেনবম সঞ্জয়, পঞ্চায়ট অসিগী ৱার্দ নম্বর ৫ গী মেম্বর কায়েনপাইবম তমনা, সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিটয়ার প্রিন্সিপাল য়াংলেম নোংঙাল্লৈ, তোপ দুসারা অমসুং থম্বালখোংগী ক্লষ্টর কোওর্দিনেটর জগদিস শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নেহরু মেমোরিএল ক্লব, তোপ অৱাং লৈকাইনা কোনবা মফমদা লৈবা কুমজা ২০১৮ কী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা ফর্ষ্ট দিভিজন্দা পাস তৌরকপা মহৈরোয়শিংদা মেমেন্টা অমদি সার্টিফিকেট খুৎশিন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অসিদা য়াংলেম য়াইমা মেমোরিএল ট্রষ্টনা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী ইগজামিনেসন্দা খ্বাইদগী য়াম্না মার্ক ফংবা অয়েকপম য়াইচেনবী, অপোকপা অয়েকপম অরুন অমদি ক্লাস টুয়েল্বকী সাইন্স ষ্ট্রিমদা মার্ক খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা য়াংলেম ধনমঞ্জুরি, অপোকপা ৱাই বিরমনিদা সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা খুৎশিন্নখি। নোংমাইরন্বী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমসুং চাউখৎ খোঙথাং পোটরি সেল্ফ হেল্প গ্রুপনসু মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা অমসুং মমেন্টো পীখি।

বোসেমনা লৌবা ইগজামিনেসন্দা মেথমেটিক্সতা খ্বাইদগী মার্ক য়াম্না ফংখিবা অয়েকপম য়াইচেনবীদা অনৌবম রাসেশ্বরী দেবী এৱার্দসু খুৎশিন্নখি। চহী অসিগী জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমীনা পীবা গুরু গুলাপি গোল্ড মেদল ফংখিবা দয়ানন্দা কায়েনপাইবমদসু ক্লব অসিনা অঙন্বা খুদোলপোৎ পীখি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল টি ঐচ দিলিপকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# লাইরেনকাবীদা য়ুম ৭০ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস):
সেকমাই এসেমব্লি কন্সিটিট্যুন্সিগী মনুং চন্না লৈবা লাইরেনকাবী খুলদা শিংদাদগী চেন্থরকপা অবুলোক তুরেলদগী হায়দোরকপা ঈশিংনা য়ুম ৭০ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রে, অমনা চেন্থখ্রে।



ঈশিং থুমজিল্লবা লাইরেনকাবীগী য়ুমশিং অদু ঙসি সেকমাই এ সিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লাইরেনকাবী মৈরা শঙ, লাইরেনকাবী অঙ্গানৱাদি সেন্তর অমদি লাইরেনকাবী লাই কৌব্রু কম্যুনিতি হোলদা রেলিফ কেম্প অহুম হাংদোক্তুনা মফম অদুদা চাউরাক্লা মীওই ১২০ লোম চঙজফম লৌদুনা লৈরি। অৱাবা নংলবা খুঞ্জাশিংদা সেকমাইগী এম এল এ দিঙ্গোনা খুদক্কী ওইনা লুপা লিশিং ২০ পীখ্রে হায়রি। লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলম কয়াসু পীখি হায়খি।

ইম্ফাল ৰেষ্টকী দি সি অমসুং লম্ফেলগী এস দি ওসু মফম অদুদা এম এল এগা লোয়ননা লাক্তুনা য়েংশিনখি। কদাংবল খুলদা তুরেলগী ঈশিংনা য়ুম অমা চেন্থখ্রে, অদুগা য়ুম অনীনা ঈশিংনা চেন্থবা য়াবগী ফিভমদা লৈহৌরি। লোয়ননা খুল অদুগী থোংগী নাকল অমা নিংখায়বদগী লন্থী চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা ওইরে। এ সি অসিগী কংলাতোম্বী মন্দিরগী মনিংদা য়ুম ৫০ রোম চাওরাক্লা মীওই ২০০ মুক লৈবা লন্থী অমসু তৎখ্রে হায়রি।

হন্দক্তা নৌনা শঙ্গাখিবা কান্তো তুরেলগী ভেলি ব্রিজ মখোঙ অমা তৎকদৌবগী ফিভমদা থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈহৌরে। সেকমাই খুন্নৌগী থোংসু অরুবা ফিভম অমদা লৈরে। মসিদা নত্তনা এন এস য়ুগী কন্সট্রক্সন মেটেরিএল পুশিল্লকদবা লন্থীগী সেঞ্জম খুন্নৌগী থোং মনাক্তা তোর্ব্বানসু নিংখায়বদগী লন্থীগী ফিভমসু চৎপা য়াদ্রে হায়রি।

# ইরিল তুরেল থৈদোক্লগদি ইম্ফালদা ঈচাউ থোকপা হন্তরগনি : এস ই

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) :
চহী খুদিংগী মণিপুরদা নোংজু থাগী মতমদা য়াম্না তোইনা ঈশিং ঈচাউ থোক্লিবা ইম্ফাল তুরেলগী নাক য়েৎ খুরাইদগীনা লিলোংফাওবগী এরিয়া অসিদা ঈচাউ থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্না অশানবা মীৎয়েং অমা য়েংদুনা অখন্নবা থৌরাং অমা মথৌ তারি।

মরু ওইনা ইম্ফাল তুরেলগী ঈচেলদা ইরিল তুরেলনা লিলোংদা থৎচিল্লকপদগী ঈশিং তোইনা মৌখৎতুনা নোংজু পন্থা মতমদা খুরাই লমলোং মপাদগীনা লিলোংফাওবগী মরক্তা মীয়াম্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবা কোক্লবা ইরিল তুরেল অসি লিলোংদা তারিবা অসি খরা থৈদোক্লগা অরাপতি অমদি চাবোক লৌকোল ফাওরগা নিংথেমচাকোনাদা তারগা ইম্ফাল তুরেলদা থৈদোক্লগদি মীয়ামগী অৱাবা খরদি শাফগনি হায়না ৱাটর রিছোসেস দিপার্টমেন্টকী সুপরিটেন্দেন্ট ওফ ইঞ্জিনিয়র (ফ্লদ মেনেজমেন্ট সার্কল) এম দি রিয়াকট আলিনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা মহাক্না হায়, ইম্ফাল তুরেল অসি ইথাই ফাওবগী মথক অসিদি তুরেল খোঙনুং অসি লাওই অদুগা মখাগী শরুক অসিনা খরা খুই। অদুবু নোংজু থাগী মতমদা য়ুম কুংনা তাবা ইম্ফালগী এরিয়াদা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং অসি নিক নিক লাওনা চেল্লকপা মতমদা ইরিল তুরেলনা অমুক লিলোং থোং মনাক্তা অমুক থৎচিল্লকপদগী ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং অসি লিলোংদগীনা খুরাই লমলোং ফাওবা ঈশিং মৌখৎলকপা হেনগৎলকই। অদুনা মরম ওইদুনা তুরেলগী লৈরাইদা ঈশিং ঈচেলনা য়ৈরকপদগী ঈশিং পাথোকপা অমদি তুরেল কায়বা কয়া থোক্লি। মরম অদুনা তুরেলগী নাকলদা রিতেন্নিং ৱাল চল্লবসু ঈশিংগী শাফুনা কন্না য়ৈরকপা মতমদদি রিতেন্নিং ৱাল অদু তুথখিগনি।

ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপা মতমদা ইরিল তুরেলনা অমুক লিলোংদা থৎপা মসিদা নত্তনা কোংবা তুরেলনা অমুক কোংবা ইরোং মপাদা অমুক থৎচল্লি। মদুনা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং অসি পুবা ঙমদবদগী লৈরাই নিংখায়দুনা তুরেলগী নাক য়েৎতা লৈরিবা মীয়াম্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লবনি।

ইরিল তুরেল অসি ঈশিং ঈচেল য়াম্না কনবা মরম্না অরাপতি এরিয়াদা খরা থৈদোক্লগা লিলোং চাওবোক লৌকোলগী চীং ময়াদা কেনেল অমা চাউনা তৌরগা থৈদোক্লগা চোংথামকোনা তারগা ইম্ফাল তুরেলদা তাহনবা য়াই। অদু ওইরবদি ইম্ফাল তুরেলগী লিলোংদগীনা খুরাই ফাওবগী মরক্তা ঈশিংগী ঈচেল ৱাংনা চৎলম্বদু খরা হন্থগনি।

ইম্ফাল তুরেল অসিসু ইথাই বেরেজগী মথক থংবা ময়াং ইম্ফালদগীনা মখা থংবদা লোক্তাক-লোমদা শরুক খরা তাহল্লগদি ঈচাউগী অৱাবা অসি ফগনি হায়রি। থায়নগী অহলশিংনা চথরম্বা অমদি খল্লম্বা তৌরম্বা থবকশিং অসি হৌজিক্কী মীরোলনা নিংশিংবা চুমগনি। মরু ওইনা ঈথৈ লৌখোং কয়া তৌদুনা তুরেলগী ঈশিং থৈদোক্তুনা অমদি য়োক্তুনা শীজিন্নরম্বা নীংশিংবা চুম্মী।

লৈশাং হিদেন, লিলাখোং, চন্দ্রনিদি তুরেল তৌরগা নম্বুল তুরেলদা তারগা লোক্তাক্তা অমুক তাহনখি। মসিদা নত্তনা ইম্ফাল তুরেলগী ঈচেল ৱাংলকপা মতমদা লিলোং তুরেল অহনবীদা অমুক খরা থৈদোক্লগা মখা পাংনা অমুক পুরগা ইম্ফাল তুরেলদা অমুক তাহল্লি হায়রি।